থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোভিদ-১৯ - চাইনিজ এক্সপরিয়েন্স

ইন্দিয়া'দা ঙসি মীয়াম্না, 'নয়ূম-নয়ূমদগী হেন্দোক্কনু, লৈরি-লৈরিবা মফমদুদা লেঙদনা লৈয়ু, মদুতনা খ্বাইদই শাফবা, কোরোনাদই ঙাকথোক্তুনা হিংনবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থেনি' হায়বা পাউজেলসিদা মায়োক্লরিবা, তন্বতনা ৱাৎলগদবা অৱাবসি ইহান হান্না মায়োক্লখিবা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী মীয়াম, মরু ওইনা ৱুহান সহরদা লৈরিবা, য়াম্লবা মীয়াম অদুনি। ২০২০, অনৌবা চহী হৌবগী নুংঙাইবা মুদ অমদা লৈরিঙৈ, মফমদুগী মীয়ামদি শকউদবা হিংচাবা (লাই ফত্তবা) অমনা লান্দারক্তুনা মথং-মথং হাৎলকপগী অকিবা অদুগা চাংদম্নবা য়াবা ফীভম অমদা লৈরম্মী। অকিবদুগী অচুম্বা মশক্তু তাক্লুবা ডোক্তর 'খুন্নাইদা অকিবা পোকহন্নবা পাউ শন্দোকই' হায়দুনা চৈরাক পীরুরিবনি। অকিবা ফংলবা অনাবদুনা ডোক্তরদু হাৎখ্রবা মতুংদনি চাইনিজশিং মীকপ থোক্লকখিবা। মীকপ থোক্লক্লবা তুং চাইনিজশিংনা করম্না কোরোনাগা লান্থেংনখিবা ... পূম্নমক্লদি লাক্লবা ঙমদ্রবা মহীকসি চাইনিজশিংনা করম' লাকশিনখিবা ... হক্লবা থৌদাং অমা চাইনানা মায়োক্লখিবদুদি কনানসু মতৌ তমগে খনখিদে। থা অনী চূপ্পা হুবৈ প্রোভিন্সকী চাইনিজশিংনা য়েংহৈদ্রবা পুন্সি মরেল অমা লেনখিবা, চাইনিজ ওথোরিটি'না মীনুংশি খঙদবা লৈঙাকপা অমগী থৌদাং লৌখিবা...ঙসিসু কনামত্তনা 'কোরোনাভাইরস' মায়োক্লরিবশিংদা ৱারী ওইনা লীদুনা পূক্লিং লৌশিং ওইননবা হোৎনখিদে। ৱারীদুনি ঙসি থম্মোয়সিগী পাউদম ওইনা তমগে হোৎনজরিবা।

য়েস! লায়নাসিগী চপ চাবা লায়ওং খঙদ্রিঙৈ, অসুক য়াম্না তমথীবা শক্লোন অমা লৌরক্কনি খঙদ্রিঙৈ, চেকশিনহৌদবা থৌওং খরা চথরুরে। অচুম্বা ঙাঙবা ডোক্তর ফাওবা ফাবা পূনবা তৌরুরিবনি। ফেব্রুৱারী থা লানশিল্লকপা, লায়নাসিগী লায়ওং চপ চানা খঙলকপদগী 'ৱুহান' সহর, হুবৈ প্রোভিন্স-চাইনাগী লম অতৈদগী মরী পুমতৎ তৎখ্রবা, শোক্ল-শম্নরু'-য়াদ্রবা লমদম অমগুম থম্লকখি। ডোক্তর অমদি নর্স-হেলথ-ৱার্কর লিশীং মরিরোম অমুক হল্লকপা য়াদবা, নো রিত্রিট-নো সরেন্দর'গী মিসন অমা হুবৈ প্রোভিন্স'তা থাজিনখি। চাইনিজ ওথোরিটি'না প্রোভিন্স'তুদা লৈরিবা য়ূমশিংগী য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা মীকোক খুদিংমক হোইদোক্তুনা টেষ্ট তৌখি, টেম্পরেরি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অমদি ঙাইহাক্কী ওইনা শেমগৎপা (মেক-সিফট) হোস্পিটালশিংদা থমদুনা হাইফেৎতং চিংনবা পোক্লবা (মাইন্দ সিম্পটোম উৎলক্লবা, অঙাং খঙদে অহল খঙদে মমা-মচা/মপা-মচা শেত্তোক্লহনগনি। অচৌ-অচৌবা বিল্ডিংশিংদা লৈবা এপার্টমেন্টশিংদা লৈবা মীশিংগী বোদি-টেম্পরেচর ওন্নবা ক্যারটেকর হাপকনি। অমত্তা মপান থোকহল্লোই। চান-থক্লবা পোৎ-চৈ, হীদাক লাংথক লৌনবা ইমুং অমগী মী অমা কৈদৌঙৈ/করম'কান্দা থোকখি/চঙখি পাননবা মী থমগনি। মী খুদিংনা পায়রিবা ফোনদুদা এপ্লিকেসন অমা তঙাইফদনা হাপ্লগা 'চাইনিজ-কেসল-রিকগনিসন-সোফৱ্যার' অমগা লিঙ্ক তৌনহন্দুনা 'কনাদা লায়না অসি হেন্না নারকনিংঙাই ওইবগে' খন্দোকপগা লোয়ননা, সোপ্পিং মোন/গ্রোসরি সোপ/ফার্মাসি নৎত্রগা ভেজিটেবল মার্কেটতা চৎকদগে লেপথোক্কনি। দ্রোন অমনা কোয়পাই পাই'দুনা কদায়দা কনা ময়ূমদগী নান্থোক্তুনা মপান' থোক্লকপগে শেন্নগনি। তান্নদুনা তানশিনগনি। য়ূমদা লোয়বা হুই/হৌদোং ফাওবা মপান-থোকহন্দনা ইমুংদা থমগদবনি। য়ূমদা লোয়বা শা-শিংফাও করম্না বাথরুম/টোইলেট শীজিন্নগনি তন্বী।

কোভিদ-১৯ মায় পাক্লা মায়োক্লবা হায়বসি শেল লৈবা অমসুং মেদিকেল সাইন্স'তা চাওখৎপা - অনীসিখক্তনা য়াদে। মরুওইবা পাঙ্গল অনীসিগী মথক্তা অতোপ্পা মরু ওইবা ফেক্টর অনী অমগা চঙই। মদুদি, অকনবা পোলিটিকল ৱিল অমসুং হায়বা ইনবা মীয়াম। য়ুরোপ অমসুং অমেরিকা'দা ৱাৎলিবসি অকোনবগী অনীসিনি। ইন্দিয়াদা, ফেক্টর মরিমক মীগা লম্বা য়াদ্রগসু, ঙসি ফাওবা তমথীবা শক্তম অমা উদ্রিবসি, মতম চানা লোকদাউন তৌবগী 'মোদিগী ফিরেপ' অদুননি। মহাক্কী পোলিটিকল ৱিল অসি কয়াম কনবা/কন্দব'দগী মখা পোল্লি-লাঞ্জং অসি মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা। চাইনানা হন্দক্কী কোরোনা ৱার অদুদা মায় পাকখিবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম, অতৈনা তৌবা ঙল্লরোইদবা মখোয়গী মতিক মঙম খরননি - (১) লমদম (হুবৈ প্রোভিন্স) দুগী স্কুল/কোলেজ/ফেক্টরি/বিজিনেস হাওজ পূম্নমক থিংজিনখিবা; (২) য়াম্লবা মিল্লিয়ন কয়াগী মীয়ামদু ময়ূম ময়ূমদগী, নম্ফুদা শুকহেন হেন্দোকহনখিদবা; (৩) নুমিৎ মঙা-তরানিগী মনুংদা, চাওখৎপা লমগী মল্টি-স্পেসলিটি হোস্পিটালশিংগা চাংদম্নবা য়াবা, ফমুং লিশীং কয়া থাবা তেম্পরেরি হোস্পিটাল কয়া শাখিবা; (৪) মশীং থিঙমদ্রবা এক্সত্রা-মেদিকেল ষ্টাফ (ডোক্তর-নর্স-হেল্পর) কয়া ৱুহান সহর অমদি হুবৈ প্রোভিন্স'তা থাজিনখিবা; (৫) হীদাক লাংথক অমদি অচা-অথক্কী পোৎ-সপ্লাই অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন ৱাৎপা লৈহনখিদবা; (৬) নাবা নৎত্রগা নাদবা - মীপুম খুদিংমক অমত্তা চীখ্রদনা টেষ্ট তৌবা ঙমখিবা ... অসিনচিংবা।

চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র এদভাইজর 'হুইয়াও ৱাং'না অমেরিকাদা হায় ... 'লোকদাউন তৌবা, মীয়াম পূনবা থিংবা, ক্বারন্টিন মচি মচি খরদা তৌবা, টেষ্ট তৌবা, তোয়না খূৎ হান্ব'নচিংবা খরা তৌবসিনা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মায় পাক্কদবা নত্তে... মীশিংসি অমত্তা খাক্তনা, ময়ূম ময়ূমদগী হোইদোক্লগা, অচৌ অচৌবা হোল, ষ্টেদিয়মনচিংবদা থম্লগা, অমগা অমগা নক্লহন্দনা লৈহনগদবনি... মরন্নাই নীংতম্বা পীরিবমখৈ কোরোনা'না লাকশিনখিগনি'...।

মহীকসিনা লাঙ্গোয় চনখ্রব'কান 'দোনাল্ড ত্রম্প'না অমেরিকানশিংদা পাউজেল্লি - নখোয় পূম্নমক মতম খরদি মীওই মঙা-তরা পূনবা থবক অমত্তা তৌবীরনু, য়ূমদা লেঙদনা লৈবীরো। পেরিস, লন্দন, ব্রসেলস, রোম, মোস্কো ... হৌজিক্তি ভুৎ-প্রেৎ'না তম্নবা সহর অমা মাল্লবনি। ইন্দিভিজ্যুঅল ফ্রিদম'না লৈবাক্কী লো'গী মথক্তা লৈ হায়রম্বা লুচিংবশিং মতমদুদা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী ৱা থওইরুদ্রগা ঙসিদি হায়রক্লে... 'দব্লিয়ু ঐচ ও'না মতমদুদা চাইনিজশিংগী মীচংদা লেপখি, অচুম্বা ৱা লোৎশিনখি'...। ৱুহানগী চাইনিজ এক্সপরিয়েন্স অদুদি ইমুং অমা শেৎনহনখিবখক নত্তে, মী অমগা অমগগী মরক্তা মীওইবই মরী লৈনৈ হায়বদুফাও কাউথোকউ হায়বনি। অদুদগী থোক্লকই অনৌবা ৱাহায়... 'য়ুনাইটেদ ৱি দাই, দিভাইদেদ ৱি লিব'...। মতম খরদি দিক্তম অসি নীংশিংসি।

লৌশিং পুক্কে

# কাঙলোন চুম্না খূৎ হান্বগী মথং-মনাউ




খূৎ হান্বা হায়বসি ভাইরস অমদি বেক্টরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিং শন্দোরকপা থিংনবগী মতাংদা খ্বাইদগী অফবা পান্থেশিংগী মনুংদা অমনি।

ঐখোয়না পোৎচৈশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদা শোকপা-থেংবা তৌবদগী খূৎতা নুমিৎ চুপ্পগী ওইনা মহীক-মতাইশিং অমদি অমোৎপশিং পকশিল্লকপগী থৌওং লেপ্পুনা তৌই। হায়রিবা খূৎতা পল্লকপা পোৎশকশিং অসি মীওই অমনা অতোপ্পা মীওইশিংদা পকহনখিবা নৎত্রগা মহাক মশাগী মায়দা পায়বা-থেংবা তৌরুবদগী মশাদা ইনফেক্ট তৌহঞ্জবসু য়াই।

অসিগুম্বা মীৎনা উবা ঙমদবা মহীক-মতাইশিং অসি শন্দোকপগী থৌওং খূৎ চাং নাইনা হামদোকপনা হন্থহনবা ঙম্মী। অদুমওইনমক, মীওই কয়াদি খূৎ হাল্লবসু মহীক-মতাইশিং অসি মাঙহনখিবা ঙম্নবগী কাঙলোন অদু চুম্না খূৎ হামদে নৎত্রগনা মথৌ তাবা মতম অদু শুনা হামদে।

কাঙলোন চুম্না খূৎ হান্বগী মথং-মনাউ অমদি থৌওং অসি করিগীদমক অসুক মরুওইরিবনো হায়বদু খঙমিন্নসি।

খূৎতা পকপা মহীক-মতাইশিং মাঙহন্নবগীদমক মখাদা পীরিবা কাঙলোনগী মথং-মনাউশিং অসি ঙাক্কদবনি। মখোয়শিং অদুদি:

১) অফবা ঈশিংনা খূৎতু মপূং ফানা চোৎহনগনি।

২) খূৎ অদু সাপোনননা মপুঙ ফানা নোইশিনগনি।

৩) খূৎ অনী অদু তক্লদুনা কোঙ্গোল থোকহনগনি।

৪) খূৎ নাম্মগী খুবাক্কা অতোপ্পা খূৎ নাম্মগী খুনমগা তক্লগনি, খূৎশাশিংগী মরকসু তক্লবা অসিদা য়ৌহনগদবনি। চপ মান্নবা মওংদা খূৎ অনী অদু অমুক শিন্দোক্লগনি।

৫) খুবাক অনী অদু অমুক তক্লগনি, অমদি মসিগা লোয়ননা খূৎশাশিংগী কারকসু তক্লগদবনি।

৬) খূৎ নাম্মগী খুবাক্লোম থংবা নাকলগা অতোপ্পা নাকলগী খুনল্লোম থংবা নাকলগা তক্লগনি, মসি তৌবা মতমদা খূৎশাশিং অদু কারক লোনশিন্নগদবনি।

৭) খূৎ নাম্মনা অতোপ্পা খূৎকী খূৎশা অমা পায়শিল্লগা পায়রিবা খূৎ অদুনা ঊংদুনা খূৎশা অদু শেংদোক্কনি। অসুম্না তৌবা অসি খূৎ নাকল অনীমক্কী খূৎশাশিং লোইনা শুনবা তৌগদবনি।

৮) খূৎশাগী মতোনশিং অদু অতোপ্পা খূৎ নাম্মগী খুবাক্তা তক্কনি। চপ মান্নবা মওংদা অতোপ্পা খূৎ নাম্মদুসু তৌগনি।

৯) খুজিল শেংনবা মোত্তবা ব্রশ লৈরগদি খূজিলগী কারকশিং শেংদোকপা য়াই।

১০) কোঞ্জিনগুম্বদগী তাবা অফবা ঈশিংদা খূৎ থাদোক্কনি।

১১) খূৎ চামথোক্লবা মতুংদা দিস্পোজেবা টাৱল অমনা তৈথোক্তুনা কংহনগনি। নৎত্রগনা নুংশিৎতা কংহল্লবসু য়াই।

১২) ঈশিংগী টেপ (কোঞ্জিন) অদু মুৎথৎপদা দিস্পোজেবল টাৱল (লৈরগদি) শীজিন্নগনি।

কাঙলোন চুম্না খূৎ হান্বগী কান্নবা অসি চপ চানা ফংগে হায়রবদি মখাদা পীরিবা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্কদবনি। মখোয়শিং অদুদি:

**নুমিৎ চুপ্পগী চাং নাইনা অমদি তোয়না খূৎ শেংনা হামদোকপা**

নোংমগী মনুংদা কয়ারক হন্না খূৎ হান্বা হায়বসি য়াম্না ফৈ। খূৎ হামগদবা মতমশিংগী মনুংদা- খূৎতা অমোৎপা পকপা উরবা মতম; চীঞ্জাকশিং শেম্বগী মমাঙ অমদি মতুংদা; চারমদাইদা; টোইলেট চঙলুরবা মতুংদা; দাইপর শীল্লুরবা মতুংদা; পোট্টি নৎত্রগা টোইলেট শীজিন্নবা অঙাং অমা শেন্নরুরবা মতুংদা; মীৎকী কন্টেক্ট লেন্স হাপ্পমদাই অমদি লৌথোক্লমদাইদা; মায়দা পায়রমদাইদা; অশোক-অপনবা মফমদা পায়রমদাই অমদি মতুংদা; লোক খুবা, হকথী খনবা নৎত্রগা নাতোন কামথোক্লুবা মতুংদা; অনাবা মীওই অমা শেন্নবা চঙলমদাই অমদি লোইরবা মতুংদা; শা অমদা নৎত্রগা মখোয়গী চীঞ্জাক নৎত্রগা ফত্তবা পোৎলমশিং পায়রুবা মতুংদা; ফত্ত-হৌদি পায়রুবা মতুংদা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

**খূৎ হান্বদা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ চঙহনগদবনি**

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না খূৎ হান্বদা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ চঙগদবনি হায়রি। মতম য়েংনবগী পান্থে লৈতবা ওইরগনা 'হেপ্পি বর্থদে' ঈশৈ অসি অনীরক শকপগী মতম অদু চঙহনগদবনি হায়রি।

**সাপোন মখল অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াই**

ইচম চম্বা সাপোন অমগা ঈশিংগা শীজিন্নবা অসি হকচাংগী ঊনশাদগী মহীক-মতাইশিং মাঙহনখিবগীদমক য়াম্না কান্নে। শীজিন্নরিবা সাপোন মখল অদুগী থোইদোকপা খেন্নবা লৈতে।

**খূৎ কংবগী খুদোংচাদবা অদু হেন্দ ক্রিমনা ফহনবা য়াই**

খূৎ তোয়না হান্বা অদুনা মরম ওইরগা খূৎ কা হেন্না কংবা নৎত্রগা চেকখায়বা থোকহল্লি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি মোইসচরাইজিং হেন্দ ক্রিম নৎত্রগা লোসন অমা তৈরবদি কান্নবা ফংই। খূৎ চেকখায়বগী কারক কারক অদুদগী মহীকশিংনা হকচাং মনুংদা য়াম্না লায়না চঙখিবা ঙম্মী।

হকচাংগী ঊনশাদা পকপা বেক্টরিয়া অমদি ভাইরসশিং লৌথোকপগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা পান্থে অসি সাপোন অমসুং ঈশিং শীজিন্নদুনা খূৎ হান্বা ওইরগসু করিগুম্বদা ঈশিং অমদি সাপোন ফংদবা মতাংসু য়াওরকই। অসিগুম্বা মতম অসিদদি য়ামদ্রবদা অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০ য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর অমা শীজিন্নবসু য়াই।

# য়েন লোয়দুনা হিংনবগী শেন্দাল লম্বী ওইরিবশিং মচিঞ্জাক ফংদবগী অৱাবনা কোক্তা খূৎ হাপ্লরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা হৌখিবা মার্চ ২৩ দগী এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাউন থমখিবদগী য়েনগী ফার্ম তৌরিবশিংনা মচিঞ্জাক ফংদবদগী য়েন কয়া শিরকপদগী হৌজিক য়েন লোয়রিবশিং খম-থেংনা ৱাবগা লোয়ননা কোক্তা খূৎ হাপ্লরে।



লোকদাউন অসিনা মরম ওইরগা ফার্মদা লৈরিবা য়েনশিংনা নোংমদা তঙাইফদনা চাদ্রবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক, হিদাক-লাংথক ফংদবনা য়েন কয়া অমা পাক্তক্লনা শিরে। য়েন কয়া অমদি মপুং ফারবা ফাওবা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা মবুক থন্না মচিঞ্জাক পীজবা ঙমদ্রে। হিংনবগীদমক খরা খক পীজবদা ঙাইরে।

য়েন লোয়রিবা ফার্মরশিংনা য়েনগী মচিঞ্জাক অয়াম্বা মণিপুরগী মপান গুৱাহাতি য়াওনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী পুল্লপ-পুল্লপ লৌরগা পীজবনি। অদুবু হৌজিক চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু অসিনা মরম ওইরগা মপানদগী লাক্কদবা মচিঞ্জাকশিং অমত্তা ষ্টেট অসিদা পুশিল্লক্তবনা মীয়াম্না অৱাবা অসি মায়োক্লবনি।

ষ্টেট অসিদা হান্না লৈরম্বা মচিঞ্জাকশিংসু লমদমসিগী লৈরিবা ফার্মরশিংনা মাগী মাগী হান্না কনশিন্নখিবনা য়েন লোয়রিবা ফার্মর অয়াম্বনদি য়েন মচিঞ্জাক ফংদবগী অৱাবা অসি মায়োক্লবনি। য়েন য়াওনা অমদি য়েনগী চানবা অমসুং ওক, ষনগী মচিঞ্জাকশিং পুশিনবা য়াহনবীনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু হায়না ফার্মরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়েনগী মচিঞ্জাক হান্না বেগ অমদা লুপা ১২০০ পীরম্বা অদু হৌজিক বেগ অমদা লুপা ১৭০০ অমদি লুপা ২০০০ য়ৌবা ফাওবা য়াওরে। অদুবু মদুসু লৈগে হায়বা হেক্তা ফংদ্রে। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থৌজমদা লৈরিবা সঙাই মচিঞ্জাকসু হান্না ময়ামদগী মমল খরা হোংনা ফংনরম্বনি। অদুবু মদুসু হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈকায়গী মীওইশিংনা য়েনগী মচিঞ্জাক শেমদুনা পুথোকপা থিংজিনখ্রে।

নাকল অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিভিজন)গী জোইন্ট সেক্রেটরিনা হৌখিবা মার্চ ২৬ তা চেরোল অমা থোক্তুনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরি অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগীদা এনিমেল ফিদ অমদি ফোদরশিং অসি ইসেন্সিএল আইটেম অমা ওইনা ইন্টর ষ্টেট মুভমেন্টতা অপনবা পীদনবা খঙহনবা ফাওবা লৈখ্রে। লমদম অসিগী ওইনদি হায়রিবা ওর্দর অসি চৎনদনা লৈরিবা অসি লৌমীশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

লমদমসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ষ্টেট পুম্বা লোকদাউন লৈখ্রবসু শা-ঙাগী মচিঞ্জাক অসি ইসেন্সিএল আইটেমনি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খঙহনবসু লৈখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লসু ৱাফম অসি মপুং ফানা চৎনদবনা য়েনগী ফার্ম তৌরিবা লৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমদি চাউনা হৌজিক মায়োক্লবা হৌরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীহৌদ্রবদি ইরমদম অসিগী য়েন লোয়বা মীওইশিং মখা তানা য়েন লোইবা ঙম্লক্তবা য়াই হায়রি। য়েন য়াম্না লোয়রিবা ফার্মরশিং য়েনগী মচিঞ্জাক ফংদবদগী য়েন ময়াম তুরা তুনা শিখিবদগী য়েন লোয়রগা হিংজবা মীওই খরদি মখা তানা য়েন লোয়নিংদ্রে হায়রি।

# লাম্মৈ চাকপদা ৪ শোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিংহাৎকী টি লানচাহ খুনগী খুঞ্জা নুপামচা মরি চিংলৌ/পাল্লৌ চৎপদা খঙহৌদনা লাম্মৈ চাক্লকপদা শোক্তুনা মনাক নকপদা লৈবা সিংনগৎকী কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মতুংদা মখোয় মরি মখা তানা অমুক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অমুক পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপামচা মরি অদুদি গাউগৌলাল, অপোকপা থাংজালেট হাওকিপ, মাংমিনথাং, অপোকপা থাংজালেট হাওকিপ, লালখোহাও, অপোকপা পুথেননেং অমদি মহাক্কী মনাওনুপা চোচোননি। মখোয় মরি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টি লানচাহ খুনদা লৈবনি।

অমরোমদা, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাংজোল খুনদা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং কাপখিয়ান মুং (৩৩), অপোকপা এম বমচিনহাং কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী ক্বার্টর ভেংদা লৈবনি হায়রি।

# ফোর ব্রদরসনা মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাহেং খুমনদগী জেমস কাঙুজম, ঙাইখোং খুলেন্দগী প্রেম কোন্থৌজম, নিংথৌখোংদগী আর কে চিত্তরঞ্জন অমসুং কৈবুল লমজাও চীংমৈ কৈন্যবজারদগী ঘনশ্যাম হাওবিজম হায়রিবা মীওই মরি অসিগী ফোর ব্রদরসনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদগী লোকদাউন তৌখ্রবসু ইসেন্সিএল সর্ভিসকীদমক মীয়ামগী তঙাইফদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদা কোয়না চৎতুনা সজি 'কেল মাস্ক, গ্লোভ অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে।

পোৎলমশিং অসি সিটি পুলিস ষ্টেসন, ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন, কম্মান্দো য়ুনিট বিষ্ণুপুর, শুগনু পুলিস ষ্টেসন, পব্লিক হেল্ঠ সেন্টর নিংথৌখোং অমসুং পব্লিক হেল্ঠ সেন্টর ঙাইখোংগী পর্সনেল অমসুং ষ্টাফশিংদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি। জেমস কাঙুজমনা ফোঙদোরকপদা, য়েন্থোক্লিবা পোৎলমশিং অসি মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চথখিগনি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।০৪।২০২০ ইং, শগোলশেল; শজিবুগী ১৭নি পানবা।

মেষ : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা, লাই-গুরুনা থোইনা চানবীবা অমদি পাউসু নুংঙাইবা তাজবা নুমিৎনি। অনীংবা অরুবা থবক পাংহৌবা য়াম্না ফবা নুমিৎ ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : অফবা মফম ফংগনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি লেপ্পুনা মাঙলোমদা চংশিনবনা থবক পাংগনি। অনৌ অনৌবা লমদা পূক্লিং চংবা হেনগনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা পোরম য়াৎলবসু পূক্লিং চংবা ৱাৎকনি - য়ারদি পোথাউ। মহৌশাগী থৌরম নত্তনা হেন্না পাংদবা ফগনি, অরং অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাঙদবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : নথক থোংবনা হায়বা পাংলদি য়াম্না কান্নবা অমদি লাইবক ফবা ওইগনি। ঙাঙ-শকপা হৈগনি, চাদিং হন্থবা ঙমগনি অমদি অরং অরাক ফংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : অনম তানবা অমদি নাপল থাদোক্লদি মায় পাকলোইদবা লৈতে। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি মীয়াম্নসু য়াগনি। ওইজ-ওইথক থিবসু থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অশাওবনা মাঙহঞ্জবা অমদি নখা থাবগা মরী ফত্তবা লৈগনি-অদুনা তপথৌ। মৈনা নত্রগা অনম তানবগী লম্‌দা তাথীনবা লৈরি। লাই গুরুগী মতেংতনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফত্তে।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : হরাওবা নুংঙাইবা, থবক পাংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা কান্নবা নুমিৎনি। ফিংবা, ৱা য়াম্না ঙাঙবা, ৱানোম্বা অমদি য়েৎনবদি কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : পূক্লিং ৱাবা, নীংবা মপা চাদবা অমদি অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলসু মরুপ-মপাং ফংবা, লৈফম নুংঙাইবা অমদি য়েৎনবদা মায় পাকপা লৈগনি। মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

ধনু : লাইবক ফৈ, কান্নবা শোয়দনা ফংগনি অমদি নীংবদুমক পাংনবা হোৎনৌ-মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। ঙক কনবা অমদি মীয়াম পুনবদি মাঙদুনতা তোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : খোইরাংবা অমদি চিন শোইবনা লন মাঙবা লৈরসু ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা থবক পাংগনি। ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈ -অদুনা খন্থরগা পাংবনা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : হন্থবা লোয়নবনা চোপ্পা নংবা য়াবা লৈ অমদি কনাগসু ৱাফংনগনু। অফা অপুন্নৈ অমদি লৌশিংসু খরা ৱাৎলি অদুনা লাই গুরুগী ৱাতমক লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তুমিন্না লৈবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন : হকচাং নুংঙাইবা, থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি অনৌবা অফবা লৌশিং য়াম্না ফংবা নুমিৎনি। ৱাখল তান্নদবনা মরুপ কাইনবা য়াবা লৈ। লল্লোনবদি মাঙই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮: গুদ ফ্রাইদে অমদি ইষ্টর সন্দেগী য়াইফ-পাউজেল পীরি হায়না মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চ কাউন্সীল মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজকুমার লুখোইসনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, যিশুনা মালেমদা লৈরিবা মীপুম খূদিংগী পাপকী উশিন ওইনা ক্রোসতা পাং তিংদুনা শিরি। গুদ ফ্রাইদেনা লাকপা যিশুনা মোংফমবু মায়থীবা পীদুনা অশিববু জয় তৌদুনা হিঙ্গৎপা নুমীৎ ইষ্টর সন্দেনা লাকপদা মালেমদা লৈরিবা মীয়াম অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্তা য়াইফ-পাউজেল পীরি। কোভিদ-১৯গী লায়না মায়োক্লদুনা অৱা-মৈশা লাংলবা মীপুম খূদিংমক্কী অৱাবসু যিশুবু ক্রোসতা শিমিন্নদুনা যিশুগী ঈগী মপান্না লায়না অসি কোকচদুনা যিশুনা হিঙ্গৎপগী মপান্না লায়না লৈত্রবা মালেম অমা ওইহন্দুনা মীপুম খূদিং ঈংথদুনা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চ কাউন্সীল মণিপুরগী মায়কৈদগী গুদ ফ্রাইদে অমদি ইষ্টর সন্দেগী পাউজেল পীরি হায়রি।

# সন্দংশেনবা মরিং খুলগী চেঙগী তেংবাং ফংদনা লৈরম্বদু ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা সন্দংশেনবা মরিং খুলগী খুঞ্জাশিংনা ফংদনা লৈরম্বা তেংবাংগী পোৎলম চেঙ ঙসি ফংহনখ্রে।

সন্দংশেনবা মরিং খুলগী য়ুম ১৫০ লৈবা অসিদা ঙসি লেম্না চেঙ ফংহনখি। পাউচে অসিদসু হীরম অসিগী মতাংদা পাউ ফোঙবা লৈখ্রে। কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা দুকানশিং থোঙ হাংনখিদবা অমদি লোকদাউননা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন য়াদবদগী সন্দংশেনবা মরিং খুলগী খুঞ্জাশিং ৱানা লৈরম্বনি। চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী য়ুমথোঙ খূদিংদা লেম্না চেঙ পীগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা সন্দংশেনবা মরিং খুলগীদি ফংদনা লৈরমখি।

পাউচে অসিদা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা চেঙ লেম্না য়েন্থোকখি। কৈরাও এ সীগী এম এল এগী মায়কৈদগীসু থুম, আলু, অচাথাউ য়ুমথোঙ ১৫০দা মতেং পাংখি হায়রি।

অমরোমদা, লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোক্তনবা এৱ্যেয়র্নেস কয়া পীদুনা হোৎনরি। খুল অসিগী অৱাবা তারবা ইমুং ৩০ দা অহানবা ফেজগী ওইনা চেঙ কেজি ৪, হৱাই মঙ্গল, হৱাই কংতক, থুম, আলু, অচাথাউ অমদি কোবী য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অসি মীয়াম্না পীরকপা মতেং অমদি এসোসিএসন অসিগী ভলন্টিয়রশিংগী মরক্তগী পাংলকপশিং অদুনা য়েন্থোকখিবনি। মখা তানসু য়েন্থোক্লবা হোৎনখিগনি। মতেং পাংলকখিবা খূদিংমক্তা তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়রি।

# কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্লরিবশিংদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক চথনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস): শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদগী মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোরকপগী মখা চথরকপা ওইনা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীগী মীৎয়েং মখাদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈবা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ য়ুনিয়ন লংথবাল লেব, য়ুথ দিফেন্স কাউন্সীল লংথবাল থোং অহনবী, সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট ক্লব লংথবাল লেব মখা লৈকায়দা য়েন্থোকখ্রে হায়না শিব সেনা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, সনলাইট লাইব্রেরী ক্লব, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি সনলাইট লাইব্রেরী ক্লব কোংবনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা লোকদাউননচিংবা তৌখিবদগী অৱাবা তারবশিংদা লমদম অসিগী লৈশাবীশিংনা থাবল চোংনবা খায়রুবশিং কম্মিটি অসিদা মতেং পাংলকখ্রে। লৈকায় অসিগী মীয়াম্না অরৈ-অরৈবা চেঙ, ফৌ, শেল কয়া কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি সনলাইট লাইব্রেরী ক্লব, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা তেংবাং পীরকপদা কম্মিটি অসিনা তৌবীমল খঙবা উৎলি। তেংবাংলকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরক অসিদা ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, নোংমাইকোন পোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব অমদি চানা মৈরা পায়বিগা খুৎশম্নদুনা কোবিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা থমখিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা চান-থক্লবা লৈশিল্লক্তবনা ৱারবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা চানাগী খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়না নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব (এন পি ৱাই সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি ওকেনসনা ওইনামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, য়াঙম্বম কুমার কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি রোবিনসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোলেজ অসিদা তম্লিবা খরা শোখরবা ইমুংশিংগী মহৈরোয়শিংগী চান-থক্লবা চেঙ, তিলহৌ, আলু অমদি থাউনচিংবা খায়নদুনা মতেং পাংখ্রে। মখা তানসু য়ুনিয়ন অসিনা খরা হেন্না শোখরবা ইমুংশিংদা মতেং পাংখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।